**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ইং ১৮৯১ দা এঙ্গলো মনিপুরি ৱারদা বৃটিশকা শোকখিবা লানফমদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংবু নীংশিংদুনা মনিপুরদা ঙসি খোঙজোম নুমিৎ পাঙথোকখ্রে।

২) মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- হৌখিবা থা খরা অসিদা মণিপুরদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিনহন্নবা অমসুং তংদু লৈতাবা অমদি শান্তি লৈহন্নবা থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎলে।

৩) কামজোং জিলাগী গমপাল অমসুং হাইয়েং খুলগী য়ুমশিং ঙসি মশক খণ্ডদবশিংনা মৈ থাখ্রে, দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা জিলা অসিদা করফিউ লাউথোকখ্রে।

৪) কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- জম্মু কাশ্মীরগী পহলগাম তেরোরিষ্ট এটেক্তা চেন্নবশিং মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি।
অমসুং

৫) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- খা থংবা কাশ্মীরগী পহলগাম টেরোরিষ্ট এটেক্তা মীওই কয়া লৈখিদবা অদু ভারতমচা খুদিংমক্তা নুংঙাইতবা পোকই।

------

খোংজোম (এল)ঃ মনিপুরদা ঙসি খোঙজোম নুমিৎ পাঙথোকখ্রে। ইং ১৮৯১ দা এঙ্গলো মনিপুরি ৱারদা বৃটিশকা খোঙজোমদা শোকখিবা লানফমদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংবু নীংশিংদুনা নুমিৎ অসি পাঙথোকপনি।

মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিনদুনা থৌবাল জিলাগী খেবা চিংদা লৈবা খোঙজোম ৱার মেমোরিএলদা পাঙথোকখি।
থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা লুচিংদুনা মীয়ামা খোংজোম লান নিংশিং খুভম অমসুং পাউনা ব্রজাবাসিগী মিতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। খোংজোম তুরেলদা তর্পন কৎখি। খোংজোম পর্বা শকপা, সংস্কৃটন অমসুং খোংজোম লান ড্রামা উৎপনা থৌরম অদুগী থোইদোকপা শক্তম অমসু ওইখি।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লুপশিং অমসুং মণিপুরগী মপানদা মণিপুরীশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদসু ঙসি খোঙজোম নুমিৎ পাঙথোকখি। ইম্ফালগী থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকপা খোংজোম নুমিৎ থৌরমদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা মণিপুরগী নিংতম্বা ঙাকবগী লানফমদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। শ্রী বিরেন্না হায়- খোংজোম নুমিৎতা ঐখোয়দা হৌখিবা মতম অদুবু নীংশিংহনবতা নত্তনা মখোয়না পাঙথোকখিবা থবকশিং অদু ঙাক্তুনা অমসুং য়োকখৎতুনা থম্বা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌনি হায়বদু নিংশিংহল্লি।

ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো), কোংপাল সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, সনালৈবাক মণিপুর হকচাং শাজেল, থাং-তা, শিনদম শঙলেন, নম্বোল, মণিপুর কলচরেল ইন্তিগ্রেসন কনফরেন্সনা নুমিৎ অসি পাঙথোকখি।

খোংজোম নুমিৎকা মরী লৈননা সাহিত্য সেবা সমিতি ককচিংনা শিনবা থৌরম অমদা লাইরিক নৈনবগী থৌরম অমা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্স্র ককচিংদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা পাউনা ব্রজবাসি অমদি অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

খোংজোম নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা ঙসি খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী লমজিং মখাদা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা নুপী ৩৬ য়াওনা মী ১২৪ না ঈ দান তৌখি।

ককচিংগী মনাও চীংদা ঙসিগী নুমিৎ অসিদা বৃটিশ লান্মীশিংগা শোকখিবা অকনবা লানফমদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা ৱাংখৈ মৈরাবা য়াওনা মনিপুরগী অথৌবা লান্মীশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমসু মনাও চীংদা লৈবা নীংশিং খুভমদা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা থাংজম অরুনকুমার সিংহ- এম.এল.এনা লুচিংদুনা মীয়ামনা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। জষ্টিস কমিতি ওন এঙ্গলো মনিপুরি ৱার ১৮৯১ মারটিয়ারস এন্দ ফ্রিদম ফাইটরস ওফ কংলৈপাক মনিপুর, মেজর ৱাংখৈ মৈরাবা মেমোরিএল ত্রষ্ট অমসুং পিপলস ম্যুজিয়ম ককচিং অমদি লৈশাংথেম অমু মেমোরিএল ত্রষ্টনা থৌরম অদু পুন্না শিনবনি।

খোঙজোম লান নীংশিং নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরমদা য়ুম্ফম ওইবা অখন্নবা পাউগী শক্তম অমা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুনা পুথোকপা অখন্নবা পাউগী শক্তম ঙসি নুমিদাং পুং ৭ মিনিট ৪৫ দা শন্দোক্কনি।

গভর্নর (এল) ঃ মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- হৌখিবা থা খরা অসিদা মণিপুরদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিনহন্নবা অমসুং তংদু লৈতাবা অমদি শান্তি লৈহন্নবা থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎলে।

থৌবাল জিলাগী খোংজোমদা লৈবা খেব চীংগী খোংজোম লান নিংশিং খুভমদা ঙসি পাঙথোকপা খোংজোম নুমিৎ থৌরমদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়- তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা ৱারী শান্নবা থবক পায়খৎলে। মহাকা হায়- খুৎলায় থাদোকহন্নবা লৌখৎখিবা থৌরাং শিংথানিঙাই ওইনা মায় পাক্লে। রাজ্যপালনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম কয়াদা থি হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসন তৌবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। মসিনা মরম ওইদুনা নমদুনা শেল খায়বা অমসুং তোকঙা শন্দোকপা কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

মহাকা হায়- ১৮৯১ গী খোংজোম লান অসি চুমগী খুৎলায় খক্তগী লান নত্তে, মমা লৈবাক্কী মীংচৎ, মরৈবাক নীংবা অমসুং মশা মরোমদোম লেপচনবগী লাননি।

রাজ্যপালনা হায়- ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা মণিপুরগী নিংতম্বা অমসুং অমত্তা ওইবা শক্তম ঙাকবগীদমক চপ য়্ংনা লেপখি। মণিপুর লান্মীগী থৌনা লিংজেল অসি মীওইবগী ইতিহাসতা তোপ তোপ্পা মফম অমা কনদুনা লৈহৌরগনি। রাজ্যপালনা হায়- খোংজোমগী ইতিহাস অসি ঐখোয়গী থৌনা ফরবা ইপা ইপুশিং অদুবু নিংশিংবা খক্তা নত্তে, নহাশিংদা লৈবাক নীংবগী ব্ৰাখল পোকহন্নবা খুমাং চাওশিন্না চাওখৎপা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা মণিপুর অমা ওইহন্নবগী লমজিং মৈরানি। শ্রী আজয় কুমার ভল্লানা হায়- লৈবাক্কী অপুনবা শক্তম ঙাকপা অমসুং মীপাল তাংদুনা ইশা ইরোমদোম লেপচবা ঙমবা ইপা ইপুশিংনা হোৎনরম্বা অদু ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসি ঐখোয় পুমমক্কী থৌদাংনি।

ডে (এল)ঃ    ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন সাউথ ইষ্ট মণিপুর ব্রাঞ্চকী অহুমসুবা ফাউন্দেসন ডে ঙসি জিবন হোস্পিতাল ককচিংগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা কম্ম্যুনিকেতিং দ নন-কম্ম্যুনিকেবল দিজিজেস হায়বা হিরমদা কন্টিন্যুয়িং মেদিকেল ইদুকেসন পাঙথোকখি।

হেলথ সার্ভিসেসকী দিরেক্তর ডাঃ চম্বো গোনমৈ, ককচিংগী চীফ মেদিকেল ওফিসার থাউদেম রাজেননচিংবা মীওইশিং থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

কামজোং (এল)ঃ    কামজোং জিলাগী গমপাল অমসুং হাইয়েং খুলগী য়ুমশিং ঙসি মশক খঙদবশিংনা মৈ থাখ্রে।

ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী সোথিং সিমরেনা হায়- থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক থোকখিবনি। ইখঙ খঙহৌদনা য়ুম মৈ থারকপা অদুদা পোৎ চৈ কয়া অমাং অতা থোকখ্রে।

থৌদোক অসিগী পাউ হেক তাবগা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং চংশিন দুনা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা অমদি মখা তানা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। মসিগা লোয়ননা য়ুম মৈ চাকপগী থৌদোক্তা অৱা অনা তারবা মীওইশিংদা খুদক্কী ওইবা তেংবাং পীনবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা কামজোং জিলাদা ঙসিদগী বি.এন.এস.এস ২০২৩ গী সেক্সন ১৬৩ গী সব-সেক্সন ৱানগী মখাদা অথিংবা থমখ্রে। অথিংবা অসিগী মখাদা জিলা অসিগী মাওঙইশিং য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদবা অমদি অতৈ থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা য়ারোই হায়রি।

জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- জিলা অসিগী গমপাল অমদি হাইয়াং খুলগী য়ুমশিং শকখঙদবশিং মৈ থাদোক্লম্বগা মরী লৈননা ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। থল্লিবা অথিংবা অসি ঙসি নুংথিল পুং ২ চৎনবা হৌখ্রে, মখা তাবা হুকুম অমা থোক্লিবা ফাওবা চৎনগনি।

অমরোমদা, হায়রিবা অথিংবা অসি ইসেন্সিয়েল অমদি শান্তি রক্সা ঙাকপদা মথৌ তৌরিবা সরকারগী এজেন্সিশিংগী ওইনদি কোমথোক্কনি। অদুগা লুহোংবা, মীশি মীনা অমদি অতৈ লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা থবকশিংগী ওইনা জিলা অসিগী এস.পিদগী নত্রগা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটতগী হান্না অয়াবা লৌগদবনি হায়রি।

লেঙ্গুএজ (এল)ঃ পুরবানচল হিলস মোংজমনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মোংজমদা মালেমগী ইংলিস লেঙ্গুএজ ডে থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা অঙাংশিংগী ওইবা ঈশৈ অমদি শৈরেং চাংদমবসু পাঙথোকখি।

দেদ (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দ মনিং লৈরক্তগী চিংননিঙাই ওইবা মওংদা লৈখিদ্রবা নোংথোম্বম নিংঙোল আর.কে. (ওংবী) লখিবাইগী ঙসি অশিবা হকচাং লৌখ্রে। মীশিং অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা মীশি অসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা লংলা লংজিল পুথোক্তুনা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়না তকশিল্লি।

থোং (এল)ঃ    জিরি-তিপাইমুখ লম্বীগী গৌখা পার্ট টুদা লৈবা বেল্লি ব্রিজ অসি শেমজিনবনা মরম ওইরগা থা অসিগী ২৬ অমসুং ২৭ মখল খুদিংমক্কী গাড়িশিং চৎপদা অথিংবা থমলে হায়রি। মসিগী মতাংদা পি.দব্লিউ.দি জিরিবাম দিভিজনগী ইকজিক্যুতিভ ইঞ্জিনিয়ারনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

বুক (এল)ঃ    সাহিত্য থৌপাং লুপ ইম্ফালনা শিনদুনা মালেমগী লাইরিক নুমিৎ-২০২৫ ঙসি মনিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা  কমল তোইজাম্বদা হৈস্নাম বসন্তকুমার এৱার্ড খুৎশিন্নখি অমসুং নহা ওইরিবা শৈরেংবশিং উন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। সাহিত্য থৌপাং লুপনা চহি খুদিংগী প্থোকপা চেফোং- শক্লোনগী ১৮ শুবা ইদিসনসু থৌরম অদুদা ফোংখি।

রাজনাথ ঃ কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- জম্মু কাশ্মীরগী পহলগাম তেরোরিষ্ট এটেক্তা চেন্নবশিং মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাজনাথনা হায়- ভারতনা তেরোরিজমগী থৌওংশিং মরু ফংনা মুথৎনবা কন্না হোৎনরি। মহাকা হায়- পহলগাম থৌদোক্তা চেন্নবশিং লেমা থারোই। মহাকা হায়- তেরোরিষ্টশিং থেংননবা শেম শাদুনা লৈরে। থৌদোক অদুগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা শ্রী রাজনাথনা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়রি।

অমরোমদা, শ্রী রাজনাথনা ঙসি সর্ভিস অহুমগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা হৌজিক ওইরিবা কাশ্মির তম্পাক্কী সেক্যুরিতিগী ফীভম খন্নখ্রে। পাউ খরনা হায়- মীফম অদুদা লান্মীগী মকোক জেনেরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদি, নেভিগী মকোক এদমিরেল দিনেশ ত্রিপাথি, এয়ার ফোর্সকী মকোক এয়ার চীফ মার্সেল এ.পি. সিংহ অমসুং অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা পহলগাম এটেক অদুগী মতুংদা ওইরক্লিবা সেক্যুরিতিগী ফিভম ঙাকশেল মন্ত্রিদা খঙহনখি।

সাহ ঃ  গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- খা থংবা কাশ্মীরগী পহলগাম টেরোরিষ্ট এটেক্তা মীওই কয়া লৈখিদবা অদু ভারতমচা খুদিংমক্তা নুংঙাইতবা পোকই। মহাকা হায়- মরাল লৈজদবা মীচমশিং হাৎখিবা টেরোরিষ্টশিং অদু লেমা থারোই। শ্রীনাগরদা গৃহ মন্ত্রিনা লৈখিদ্রবশিং অদুগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

মহাকা পহলগামদা থুংলবা মতুংদা থৌদোক অদ্দা শোকপদগী গভর্নমেন্ট মেদিকেল কলেজ আনন্টনাগ হোস্পিতালদা চত্তুনা মফম অদুদা লায়েংলিবশিংগী ফিভম য়েংশিনখি। থৌদোক অদুদা লম কোয়বা মীওই ২৬ শিখি, অতৈ কয়ানা অশোক অপন নংখিবনি।

গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি নুমিদাংৱারম শ্রীনাগরদা লৈবা রাজ ভবনদা সেক্যুরিতিগী অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে। মীফম অদুদা সেক্যুরিতি ফোর্স, ইন্তেলিজেন্স অমসুং এদমিনিষ্ট্রেতিভকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

তেরোরিষ্ট এটেক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ১০-১০, ফিভম লুনা শোকপশিংদা লুপা লাখ অনি অনি অমসুং খরা শোকপশিংদা লুপা লাখ অমমমগী ক্ষেতিপুরন পীরগনি হায়না জম্মু কাশ্মীর সরকারনা লাউথোকখ্রে।

কংগ্রেসঃ    কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জুন খর্গে অমসুং দলগী মকোক থোংবা লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা পহলগাম টেরর এত্তেক্টকী মতাংদা গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহগা ৱারি শান্নখ্রে অমসুং সরকারগা টেরোরিজম থেংনবদা মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না ফোঙদোকখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী খরগেনা হায়- তমথিরবা টেরর এটেক অদুদা চেন্নবশিং চৈরাক পীদনা তোক্লোইদবনি। শী রাহুল গান্ধিনা হায়- অৱাবা তারবা ইমুংশিংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনফম থোকই।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাং (এল)ঃ   লাইনিংথৌ সনামহি কাং এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চথরিবা অহানবা লাইনিংথৌ সনামহি প্লেয়রস মেমোরিয়েল কেন্দ্র ৱাইস লিগ কম নোক আউট ওপন কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ওইনাম কেন্দ্রনা ৱাংগোই কেন্দ্রবু পাঞ্জল ২১-১৩ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ চান্দেল জিলাদা অহানবা য়ুনাইতেদ সাউদর্ন এরিয়া ইন্তর ভিলেজ কপ ২০২৫ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু.বি.এস.এ মনটকনা ফুনাল সম্বুমবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা- জিওনলাংনা উনাপলবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ১০ শুবা লেট টি.ঐচ. কুমার সিংহ মেমোরিয়েল ষ্টেট লেবেল লিগ কম নোক আউট ওপন তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কেনেদি এফ.সি বিষ্ণুপুরনা তাইদা তৌবুলবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা মোইরাংচা এফ.সি মোইরাং খুনৌনা জে.এফ.সি.সি হৈরোকপু পাঞ্জল ৩-১ দা, লাইরেন্বী এফ.সি লৈমাপোকপমনা তৌবুল এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সেক্তাদা চথরিবা তরুকশুবা সেক্তা ট্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা  পাইরেট এফ.সিনা ব্রদর এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা, এন.এন.সি.কে.সি নোংগ্রেননা ৱাই.ৱাই.সি য়োরবুংবু পাঞ্জল ১-০ দা অমদি হাওরৈবা এফ.সিনা তখেল এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ চহি ১৯ মখাগী অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱান দে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এম.পি.এ থৌনাউজমনা কে.এস.দি.ও ক্যামগৈবু রন ১ দা, ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা কে.সি.সি কোংবা বজারবু রন ২৫১ দা, অক্সদো খাঙবোকনা এল.সি.সি লমশাংবু রন ৩৬৭ দা, আর.সি.এ লিলোংনা সি.ৱাই.এস.এ খাঙবোকপু রন ৫৬২ দা, সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা এস.সি.সি.সি শিংজমৈবু রন ৫২ দা অমদি চেম্প ক্রিকেট ক্লবনা ক্রাউবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে।

------